# বেঙ্গল লোমেকর ১০৭ বি জে পিদা য়ান্না থুনমক য়াওরগনি হায়না মুকুল রোয়না ফোঙদোকখ্রে



***কোলকটা, জুলাই ১৪(এজেন্সি)ঃ*** ত্রিনামুল কোংগ্রেস, লেফট অমসুং কোংগ্রেসকী লেজিসলেটর ১০৭ লোম বি জে পিগা পাউ ফাওনরি অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মমতা বেনর্জি গভর্ণমেন্ট চিঙথুনবা ৱাশক্লে হায়না পার্টি লূচিংবা মুকুল রোয়না ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল অনীমত্তা ত্রিনামুল লূচিংবা কয়ামরুন্না পার্টি অসিদা থাজবা মাঙখ্রে অমসুং পার্টি অসিনা তৌরিবা থবক মওং অসি পামনদ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

মখোয় মখোয়গী পার্টিদগী লেজিসলেটর ১০৭না থাদোক্নরকপদু ঐখোয়না য়ান্না থুনমক উৎলগনি। লেজিসলেটর ১০৭ মখোয়গী পার্টিশিং থাদোক্নবা থৌরাং তৌরে। হায়রিবা লোমেকরশিং অসি ত্রিনামুল, সি পি এম অমসুং কোংগ্রেসতগীনি। অয়াম্বনা ত্রিনামুলদগীনি। করি থোরকপগে হায়বদু কোন্না খংগনি।

পোলিটিক্সতা লেঙদনা লৈবা অমত্তা লৈতে হায়না মহাক্না হায়খি। মসি হায়বা নত্তনা অতৈ ৱা অমত্তা মখা তাখিদে। মহাক্কী ৱাফম অসি ত্রিনামুল কাউসিল্লর কয়ামরুন্না বি জে পিদা চোংশিনখ্রবগী তূংদা পার্টিসিদা অমুক হল্লকখিবগী চৈরক্তনি।

ষ্টেট অসিদা পার্লিয়ামেন্টরি সিট ৪২গী মনূংদা বি জে পিনা ১৮ ফংখিবা লোক সভা মীখলগী ফল অদুগী মতূংদগী ত্রিনামুল লেজিসলেচর ৬ অমসুং কোংগ্রেস অমসুং লেফটতগী অমমম বি জে পিদা চোংশিনখ্রে।

মমতা বেনর্জিগা মত খেন্নখিবদগী ২০১৭দা বি জে পিদা য়াওখিবা হান্নগী ত্রিনামুল কোংগ্রেস লূচিংবা মুকুল রোয়না ত্রিনামুল কোংগ্রেসপু প্রশান্তা কিশোরদা পোলিটিকেল ষ্টেটেজিষ্ট হাপ্পগী মতাংদসু করেন্নখি।

প্রশান্তা কিশোরবু হাপখিবা অদু পার্টি অসিনা মমতা বেনর্জিগী লূচিংবদা থাজবা মাঙলে হায়বগী খুদম্নি। মদুগী মরমদগী লূপথরক্লিবা হি অদু কন্নবা পোলিটিকেল ষ্টেটিজিষ্ট অমগী মথৌ তারকখিবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

# ইমরান খানগা উন্নখিবদা চাইনিজ ফার্মশিংনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৫ পাকিষ্টানদা থাদনবা ৱাশকখ্রে

***ইস্লামাবাদ, জুলাই ১৪(এজেন্সি)ঃ*** শেনগাও কংলবা পাকিষ্টানদা তোঙান-তোঙানবা সেক্টরশিংদা চহী ৩দগী ৫ ফাওবগী মতম মনূংদা মখোয়না য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৫ থাদরগনি হায়না মাঙজিন থাবা চাইনিজ ফার্মশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানদা ফোঙদোকখ্রে।




একজিক্যুটিব অমসুং মকোক থোংবা কম্পেনিশিংগী মকোক ৫৫ হেনবনা শাবা চাইনিজ দেলিগেসন অমনা ইরাই নুমিৎতা ইমরান খান অমসুং পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টকী অতৈ অৱাংবা থাক্কী ওফিসিয়েলশিংগা খন্নখিবা মতমদা শেন থাদনবগী ফিরেপ অসি ফোঙদোকখিবনি হায়না পাকিষ্টানগী নুংতিগী ফোঙবা ইংলিস পাউ-চে দোননা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিস (পি এম ও)দা উন্নখিবা অদুদা প্লানিংগী ফেদরেল মিনিষ্টর মখদুম খুসরো বখটিয়ার, ফাইনান্সকী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী এদভাইজনর ডা. অবদুল হাফিজ শৈখ, কমর্সকী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী এদভাইজর অবদুল রজাক দাৱূদ, বোর্দ ওফ ইনভেষ্টমেন্ট চিয়ারমেন সায়েদ জুবাইর হায়দরগিরনি অমসুং ফেদরেল বোর্দ ওফ রেভিন্যু চিয়ারমেন সায়েদ সভার জাইদি য়াওখি।

ৱারী শান্নবা অদুদা পাকিষ্টানদা চিনাগী এম্বেসেদর ওইরিবা য়াও জিংসু শরুক য়াখি।

চাইনিজ দেলিগেসন অদু কনষ্ট্রক্সন, পৱার, ট্রান্সপোর্টেসন, ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি অমসুং টেক্নোলোজিকল রিছার্স য়াওনা মরুওইবা সেক্টরশিংগী মীহুৎশিনি।

উন্নবা অদুগী মতুংদা কোন্না পি এম ও দগী থোকপা প্রেষ্ট ষ্টেটমেন্ট অমনা মাঙজিন থাবা চাইনিজ ফার্মশিংগী একজিক্যুটিবশিংনা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টকী ব্যুজিনেস-ফ্রেন্দলি পোলিসিশিংদা থাজবা ফোঙদোক্লে অমসুং অপীকপা অমসুং ময়াইওইরপ চাওবা ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্টর কয়ামরুমদা মথঙ চহী ৩ অমসুং ৫ ফাওবগী মনূংদা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৫ থাদনবা ৱাশক্লে হায়খি।

চিনা অমসুং কাটার য়াওনা লৈবাক কয়ামরুন্নসু পাকিষ্টানগী শেনগী অৱাবশিং কোকহনবদা পাম্বৈ ওইনবা লৈবাক অসিদা বেলআউট পেকেজশিং পীখ্রে। হন্দক্তসু বৈজিংনা দিপোজিটশিং অমসুং কম্মর্সিয়েল লোনশিংগী মওংদা ইস্লামাবাদতা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪.৬ পীখ্রে।

থা অসিগী অঙনবদা ইন্টর্নেসনেল মোনিটরি ফন্দ (আই এন এফ)দগী দোল্লর মিল্লিয়ন ৯৯১.৪গী লোন অমগী অহানবা শরুক অদু ফংখ্রে।

# অসাম ঈচাওদা কাজিরঙ্গা নেসনেল পার্ক থুমখ্রে, মীওই লাক্ষ ১৫ হেন্না শোকখ্রে, ৭ শিখ্রে

***গুৱাহাটি, জুলাই ১৪(এজেন্সি)ঃ*** কুমগী নোজুনা থোকহনবা ঈচাওনা অসামগী দিষ্ট্রিক্ট ৩৩গী মনূংদা ২৫ থুমখিবগা লোয়নননা মীওই লাক্ষ ২০ হেন্না ঈচাওনা শোকহনখ্রে অমসুং মীওই ৭ হেন্না শিখ্রে।



চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দা সোনোৱালনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহদা ঈচাওগী ফিভম খংহনখ্রে অমসুং সেন্টরনা ষ্টেটতা পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়না থাজবা পীরকখ্রে।

হৌজিক হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট ২৫দা মীওই লাক্ষ ১৪.০৬ হেন্না ঈচাওনা শোক্লে হায়না অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা হায়রি।

মালেমগী মনূংদা খ্বাইদগী মশীং য়ান্না ইন্দিয়াগী মচি-অমা পানবা শমুগন্দাশিংগী লৈফম ওইরিবা কাজিরঙ্গা নেসনেল পার্ককী চাদা ৭০ ঈশিংনা থুমখ্রে। কৈ অমসুং শামুশিং য়াওনা অতৈ শাশিংসু ফোরেষ্ট অদুদা লৈ। শাশিং অদু অৱাংবা মফমশিংদা পুথোকখ্রে।

কছারদা এ পি ঘাটতা অমসুং করিমগঞ্জঘাটদা বরাক তুরেল খুদোঙথিবা চাংগী মথক্তা চেল্লে। গুৱাহাটি, জোরহাৎকী নিমাটিঘাট, সোনিৎপুরগী টেজপুর, গোলপরা অমসুং ধুবরি টাউনশিংদা হৌজিক ব্রহ্মপুত্রগী ঈশিং ঈমাইসু খুদোঙথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লি।

ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ২৫দা ঈচাওনা মীওই লাক্ষ ১৫ শোকহনবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা রিলিফ কেম্প ৬৮দা মী লিশিং ২০ হেন্না লৈরি। ঈচাওনা খ্বাইদগী শোকহনবা বরপেটাদা মী লাক্ষ ৫ হেন্না ময়ুম থাদোকখ্রে।

মরকসিদা ট্রিপুরাদসু নোং লেপ্তনা চুরি অমসুং ষ্টেটকী কোনূং আগরতলাদা ঈচাওগী ফিভমদা লৈখ্রে।

# গুরু নানক য়ুনিভর্সিটিগী উরেপ য়ুংখ্রে



***লাহোর, জুলাই ১৪(এজেন্সি)ঃ*** গুরু নানক য়ুনিভর্সিটি অমা শান্নবগী অহানবা হৌদোক্নরকখিবা অদুগী চহী ১০ হেনবগী মতূংদা পাকিষ্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সতা সিখিজমগী পাউন্দর বাবা গুরু নানক দেবগী পোকফম ননকানা সাহিবতা বাবা গুরু নানক ইন্টর্নেসনেল য়ুনিভর্সিটি শান্নবগী ফাউন্দেসন ষ্টোন অদু য়ুংখ্রে।

পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর উস্মান বুজদালনা ইরাই নুমিৎতা য়ুনিভর্সিটি অদুগী ফাউন্দেসন ষ্টোন অদু য়ুংখি অমসুং লম একর ১০ পাকচাওবা মফম কোনশিনগদবা য়ুনিভর্সিটি অদু লূপা ক্রোর ২৫০ হেন্না চংনা লোইশিনগনি।

গভর্ণমেন্টনা য়ুনিভর্সিটি অদু শাবা লোয়শিন্নবগী চাওরাকপা মতম অদু লাওথোক্ত্রি। আইনগী ওইবা মরিলৈনবা কাঙলোনশিং শুনা ঙাক্নবা তূংদা বি জি এন আই য়ু অদু শাবগী থবক হৌগনি হায়না পঞ্জাব গভর্ণমেন্টকী ওফিসিয়েল অমনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা পি টি আইদা হায়খি।

প্রোজেক্ট অসিগী থবক থুনমক হৌরগনি, মরমদি ননকানা সাহিব অসি ফেদরেল ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ব্রিগেদিয়ার (রিটায়ার) ইজা শাহগী কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী মনূংদা লৈ।

ব্রিগেদিয়ার শাহ অসি প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী কেবিনেটতা শক্তি লৈবা মিনিষ্টর অমনি অমসুং মহাক্কী বার্তনদগী পঞ্জাব চীফ মিনিষ্টর ননকানা সাহিবতা লাকখি অমসুং বি জি এন আই য়ু গী ফাউন্দেসন ষ্টোন অদু য়ুংখিবনি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

পাকিষ্টানদা লৈরিবা শিখশিংনা মখোয়গী লাইনিংগী ফাউন্দর গুরু নানককী পোকফম ননকানা সাহিবতা মহাক্কী মমিংদা য়ুনিভর্সিটি অমা লিংখৎনবা দিমান্দ তৌরকখিবদগী য়ুনিভর্সিটি অসি শানবগী ৱারেপ লাকখিবনি। মসি শানবগী অহানবা ৱাফম অদু ২০০৩দা প্রভাইজ এলাহিগী পঞ্জাব গভর্ণমেন্টতা হৌদোক্নরকখিবনি।

চহী ২গী মমাঙদা পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ-নৱাজ (পি এম এল-এন)কী গভর্ণমেন্টতা ইভেক্যু ট্রষ্ট প্রোপর্টি বোর্দ (ই টি পি বি)না প্রোজেক্ট অদু অরোইবা অয়াবা পীখিবনি।

মতম অদুগী ই টি পি বি চিয়ারমেন সিদ্দিকুল ফারুকনা য়ুনিভর্সিটি অসিনা পাকিষ্টানগী রিলিজয়স টুরিজম চাওখৎপা হেলহনগনি অমসুং মালেমগী থাক্তসু লৈবাকসিগী অফবা মমি অমা তাহনগনি হায়খি।

মসিগী মমাঙদা চহী অসিদা পাকিষ্টানি য়ুনিভর্সিটি অমনা ইহান হানবা ওইনা সিখ স্পিরিচুয়েল লূচিংবা অসিগী শান্তিগী পাউজেল অদু য়োকখৎনবা বাবা গুরু নানক রিছার্স চিয়ার অমা হাংদোকখি।

# পুলিস কনষ্টেবল হাৎখিবগী মরিদা নুপী য়াওনা ৪ ফাখ্রে

***জয়পুর, জুলাই ১৪(এজেন্সি)ঃ*** রাজস্থানগী রাজসমান্দ দিষ্ট্রিক্টতা পুলিস কনষ্টেবল অমবু ঙরাং থাংজ নুমিৎতা ফুরগা হাৎখিবগী কেসতা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা নুপী অমা য়াওনা মীওই ৪ ফাখ্রে।

য়ুমলোন্নবা ২ খৎনবগী কেস অমগী মতাংদা হেদ কনষ্টেবল অবদুল গানিনা হামেলা কি বের খুন্দা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম চৎলুবদগী মাগী ভিম পুলিস ষ্টেসনদা মোটোর বাইক অমদা হল্লকপদা চৈনচিংবা পায়বা মীওই ৫-৬না এটেক তৌখি অমসুং হাৎখি হায়না পুলিসনা হায়খি।

নাইনা দেবি, মচানুপা নাগেশ্বর অমসুং মহাক্কী মরুপশিং -লক্ষমন অমসুং মুকেস ঙসি ফারে হায়না এ দি এস পি রাজেস কুমার গুপ্তনা হায়খি।

# ট্রিপুরা পঞ্চায়ট মীখলদা বি জে পিনা অনকন্টেষ্টতা সিট চাদা ৮৫ ফংলে

***আগরটলা, জুলাই ১৪(এজেন্সি)ঃ*** ত্রিপুরাদা পঞ্চায়ট মীখলশিংদা অপূনবা সিটকী চাদা ৮৫ অনকন্টেষ্টতা বি জে পিনা ফংখ্রে। অদুবু ওপোজিসন পার্টিশিংগী মীরেপশিংবু কিহল্লি হায়না মরানশিং শীরি।

গ্রাম পঞ্চায়টশিং, পঞ্চায়ট সমিটিশিং অমসুং জিলা পরিষদশিংগী অপূনবা সিট ৬৬৪৬কী মনূংদা বি জে পিনা সিট ৫৬৫২ অনকন্টেষ্টতা ফংখ্রে হায়না ষ্টেট ইলেক্সন কমিসনগী সেক্রেটরি প্রসেনজিট ভত্তচার্য্যনা ঙরাং পি টি আইনা হায়খি।

হৌজিক গ্রাম পঞ্চায়টকী সিট ৮৫০ অমসুং পঞ্চায়ট সমিটিগী ৮৫ অমসুং জিল্লাগী ৮০ রোমগী মীখল পাংথোক্লগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ট্রিপুরাদা গ্রাম পঞ্চায়ট ৫৮১গী সিট ৬১১১, পঞ্চায়ট সমিটি ৩৫গী সিট ৪১৯ অমসুং জিলা পরিষদ ৮গী সিট ১১৬ লৈ।

ওপোজিসন সি পি আই এম অমসুং কোংগ্রেসনা মখোয়গী মীরেপশিংবু বি জে পিনা শৌগৎপা গুন্দাশিংনা কিহানখি অমসুং খূৎ থাখি হায়না মরান শীখ্রে।

মীরেপ চে পীশিনবগী মতম জুলাই ১দগী জুলাই ৮ ফাওবগী মতম অদুদা মখোয়গী মীরেপ ওইগদবশিংবু মীরেপচে লৌবা অমসুং থাগৎপদগী সেফ্রোন পার্টিগী খূৎলাই পায়বা গেঙশিংনা থিংখি হায়না মখোয়না মরান শীরি।

মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা মতম জুলাই ১১দা সি পি এমগী মীরেপ ১২১লোম নম্ফুদা মখোয়গী মীরেপচেশিং লৌথোকহনখি হায়না পার্টি অসিনা হায়রি।

ওপোজিসনগী মীরেপ অমত্তা মীরেপচে লৌবা নৎত্রগা থাগৎপা য়াদনবা ইলেক্সন ওফিসশিংগী মমাঙদা বাইক তোংবা বি জে পি ৱার্করশিং থমখি। মফমশিং অসিগী অয়াম্বদা পুলিসতি সুপ্নগী কুমহৈ য়েঙবদা লৈখি হায়না সি পি আই এমনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ষ্টেট কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট টপাস দেনসু বি জে পিবু মীখল ফাগি তাহল্লি হায়না মরান শীখি।

শীরক্লিবা মরানশিং অদু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা বি জে পিগী ৱাঙাংলোই নবেন্দু ভত্তাচার্য্যনা ওপোজিসন পার্টি অনীগী মীরেপশিং অদুদি মখোয়গী শৌগৎপীনবা মীয়াম লৈতবদগী মীরেপচে থাগৎখিদবনি হায়খি।

# ইন্দোনেসিয়াদা মেগ্নিচুদ ৭.৩গী য়ুহার হাখ্রে

***লাবুহা, জুলাই ১৪(এজেন্সি)ঃ*** নোংপোক ইন্দোনেসিয়াগী মনূং হঞ্জিনবা মালুকু ঈথৎশিংদা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা মেগ্নিচুদ ৭.৩ কনবা য়ুহার হাখ্রে। মিপাইনরবা মীয়াম লম্বীদা চেম্ভোক্নরকখ্রে অদুবু সুনামি ৱার্নিং তৌখিদে।

য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেগী মতূং ইন্না নুংথিল পূং ৬.২৮ চৎপদা নোর্থ মালুকু প্রোভিন্সকী টেরনাটে টাউনগী খা নোংচুপতা কিলোমিটর ১৬৫ রোম লাপ্পদা য়ুহার হাবদু থোকখিবনি।

ওফিসিয়েলশিংনা ফিভম অদু য়েঙশিল্লি অদুবু অশি-অনা থোকপগী খুদক্কী পাউ লৈতে হায়না মফমদুগী দিজাষ্টর মিটিগেসন ওফিসিয়েল মানসুরনা হায়খি।

য়ুহার হায়বা থোকখিবা মতম মনূং অদুদা ইলেক্ট্রিকসিটি মুৎখি অমসুং মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিল্লক্লে। অহানবা য়ুহার হায়খিবা অদুগী মতূং য়ামদ্রবদা অচৌবা অফটরসোক ৭না নিকহনখি।

# নেপালগী ঈচাওদা ৪৩ শিখ্রে, ২৪ থিবা খঙদ্রি

***কাথমান্দু, জুলাই ১৪(এজেন্সি)ঃ*** নেপালগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কন্না চুথরকখিবা নোংশিংনা থোকহনবা ঈশিং-ঈচাওশিং অমসুং লৈবাক নীংখাইবশিংদা নুপী ১৮ য়াওনা য়ামদ্রবা মীওই ৪৩ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা মীওই ২০ শোকখ্রে।



খূনশিং লাঞ্জেন্নহনখিবা অমসুং লম্বী চখোক-চৎশিন য়াহনখিদবা নোংগা মরীলৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ২৪ থিবা খঙদনা লৈরি হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী হিমালয়ান টাইমসকী পাউনা হায়রি।

লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ২৫ হেনবদা চীগী লমশিং অমসুং খা থংবা তম্পাক লমশিংদা শগোলশেল নুমিৎতগী হৌখিবা অকনবা নোংজুনা ইমূং ১০৩৮৫ শোকহনখ্রে। কাথমান্দুখত্তদগী মীওই ১৮৫ য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী মী ১১০৪ পুলিসনা রেস্ক্যু তৌখ্রে।

থিবা অমসুং কনবগী থবক্কীদমক লৈবাকসিগী মফম কয়াদা পূন্না পুলিস পার্সেন্নেল ২৭৩৮০ চাইথোক্তুনা মথৌ তৌহনখ্রে হায়না নেপাল পুলিসনা হায়খি। ফ্লদ ফোরকাষ্টিং সেক্সন (এফ এফ এস)না হৌজি মোনসুন এক্টিব ওইরি অমসুং মফম অয়াম্বদা মখা তানা নুমিৎ নীনি হুন্নি ফাওবা নোং চু খিগনি হায়খি।

# দিফেন্সকী পোথোকশিং মপান লৈবাক্তা থাদোকপগী চাং লূপা ক্রোর ৩৫,০০০গী টার্গেট হেল্লগনি

***কোলকটা, জুলাই ১৪(এজেন্সি)ঃ*** হৌখিবা চহী খরসিদা দিফেন্সকী পোথোকশিং মপান লৈবাক্তা থাদোকপগী চাং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা ২০২৪-২৫ ফাওবদা থল্লিবা লূপা ক্রোর ৩৫,০০০গী টার্গেট অদু হেল্লগনি হায়না ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।



ঐহাক্না এক্সপোর্টশিং অদু ২০২৪-২৫ ফাওবগী মনূংদদি লপূা ক্রোর ৩৫,০০০গী টার্গেট অদু হেন্দোক্লগনি থাজে হায়না দিফেন্স প্রদক্সন দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি অজয় কুমরনা পি টি আইদা হায়খি।

ইন্দিয়ানা লৈবাকসিগী পোথোক মপান লৈবাক্তা থাদোকপদা দিফেন্সকী মচাকশিংনা মরুওইবা ঈনোৎ পীবসু ওইরি হায়না মহাক্না হায়খি।

দিফেন্স প্রদক্সন দিপার্টমেন্ট সেক্রেটরি অজয় কুমারনা দিফেন্স প্রদক্সনদা প্রাইভেট সেক্টর শরুক য়াহন্নবা কোলকটা সিটিদা লৈরি অমসুং মহাক্না ভারত চেম্বর ওফ কমর্সতা দিফেন্স প্রদক্সনগীদমক ফেসিলিটেসন সেন্টর অমসু ইনোগোরেট তৌখ্রে।

দিফেন্স এক্সপোর্টশিং চাং ৱাংনা হেনগৎলক্লি। মসি অচৌবা রোক অমগুম্বনি। হায়বদি মসি লেঙহনবদা ৱাই অদুবু ওনবা অমুক হৌখ্রবদি মশা মতোমতনা খোঙজেল য়াংখৎলকই হায়না মহাক্না হায়খি।

হৌখিবা শেনবা চহীদা দিফেন্সকী এক্সপোর্টশিং লূপা ক্রোর ১০৭,০০০ রোম ওইখি অমসুং ২০১৯ -২০দা সেন্টরনা লূপা ক্রোর ২০,০০০গী টার্গেট অমা থমখি।

চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী অহানবা থা ৩দা লূপা ক্রোর ৫,৬০০কী এক্সপোর্টশিং হান্ননা রেকোর্দ তৌখ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা ২০১৬-১৭দা দিফেন্স এক্সপোর্টশিং অসি শুপ্নতগী লূপা ক্রোর ১৫০০ অমসুং ২০১৭-১৮ লূপা ক্রোর ৪,৫০০ ওইখিবনি।

গভর্ণমেন্টনা হৌজিক দিফেন্সকী পোৎলমশিং পুথোকপদা প্রাইভেট সেক্টর শরুক য়াবদা পূক্নিং থৌগৎনবা খোঙথাং কয়ামরুম লৌখৎখ্রে অমসুং মশক থোকপা অহোঙবশিং পুরকখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

# দেরা চীফকী য়োকচবী মচানুপীগী মতাংদা খৎনখিবা বন্দি চৈরাক পীখ্রে

***সাগর, জুলাই ১৪(এজেন্সি)ঃ*** জেলদা চৈরাক ফংদুনা লৈরিবা দেরা সচা শাউদা চীফ গুরমীত রাম রহিম সিংহগী য়োকচবী মচানুপী হোনিপ্রীত ইনসানগী মতাংদা অকনবা মরৈ অমা য়েনিরকখিবদা বন্দি অমা ফুখিবগীদমক অতোপ্পা বন্দি অমবু চহী অমগী জেলগী চৈরাক পীখ্রে।



চৈরাক অদু মধ্য প্রদেশকী সাগর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা কোর্ট অমনা পীখিবনি। সাগর দিষ্ট্রিক্টকী সেন্ট্রেল জেল মনূংদা হরিয়ানগী পঞ্চকুলদা রেপ তৌখিবগীদমক রাম রহীম সিংহগী কনভিক্সনগী মতাংদা টেলিভিজন ন্যুজ য়েঙলিঙৈদা হোনিপ্রীত ইনসানগী মতাংদা প্রতাপ রাজপুত কৌবা বন্দি অমনা অথিবা ৱাহৈ কয়া ঙাংখিবগী মতূংদা মহাকপু মুকেস রাইকৱার (২৬) কৌবা বন্দি অসিনা সেপ্টেম্বর ২৭, ২০১৭দা ফুখিবনি।

প্রতাপ রাজপুতনা ইনসাননা মাগী ফৎতবা থবকশিং অদুগীদমক মমল অদু পীবা তাবনি হায়খি। মদুনা মুকেস রাইকৱারবু শাওহনখি অমসুং রাজপুতপু ফুখি। মসিগা মরিলৈনবা কেস অমদা ইরাই নুমিৎতা ফার্ষ্ট ক্লাস জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রিট করনাল সিংহনা মুকেসপু চহী ১গী জেলগী চৈরাক পীখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-182**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | 6 | | | 8 | 4 | | |
| | 9 | | 3 | | 4 | 2 | | |
| 3 | 4 | | | | 2 | 9 | | |
| | | 8 | | 3 | 6 | | | 4 |
| 9 | | 2 | | 4 | | | | 3 |
| | 3 | 4 | | 2 | | | 7 | |
| 7 | | | 4 | | | 3 | 9 | |
| | 6 | | 5 | | | | 4 | 2 |
| | | 3 | | | 9 | 6 | | |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 24/06/19
Sl. No. : 3430
Valid : 21/06/19
Sl. No. : 2371
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 15/07/19
Valid : 24/06/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 01/07/19
Valid : 28/06/19
Stk : 306
First Come First Serve

**Hiyagnthang Indane**
Booking : 12/06/19
Sl. No. : 150
Valid : 07/06/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**K & K Indane Service**
Booking : Up to Date
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Misao Gas Service**
Booking : Up to date
Stk : 306, 19kg & 5kg Avail
Time : 07.00 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**M M Gas**
Booking : 06/07/19
Valid : 01/07/19
Stk : 612, 19kg & 5kg Avail
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 11/07/19
Valid : 10/07/19
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Imphal L P G**
Booking : Up to date
Stk : 816
Time : From 08.30 a.m.

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 25/06/19
Valid : 17/06/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**R & H Indane**
Booking : 29/06/19
Valid : 22/06/19
Stk : 612
Time : 08.30 to 10.30 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 09/07/19
Valid : 25/06/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Swombung Indane**
Booking : 16/06/19
Valid : 06/06/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 06/06/19
Valid : 15/05/19
Sl. No. : 62500
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**সনা-সুদোকু – ১৮১ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 6 | 1 | 2 | 5 | 9 | 8 | 4 | 3 |
| 4 | 8 | 9 | 7 | 1 | 3 | 6 | 2 | 5 |
| 2 | 3 | 5 | 4 | 8 | 6 | 1 | 7 | 9 |
| 6 | 7 | 3 | 1 | 2 | 5 | 9 | 8 | 4 |
| 1 | 2 | 4 | 9 | 7 | 8 | 5 | 3 | 6 |
| 9 | 5 | 8 | 3 | 6 | 4 | 2 | 1 | 7 |
| 8 | 4 | 7 | 5 | 9 | 2 | 3 | 6 | 1 |
| 3 | 9 | 6 | 8 | 4 | 1 | 7 | 5 | 2 |
| 5 | 1 | 2 | 6 | 3 | 7 | 4 | 9 | 8 |